ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯶, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, জুলাই ২৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১২১শুবা মশীং

## নবেম্মনা চাদা-নৌদা পীবিগে

### পোক্ত্রগা নরাইবক ওইজৌ

অতোপ্পা ষ্টেটশিংগুম্না অচৌবা ফেক্টরি/ইন্দষ্ট্রি লৈজদ্রিবা মণিপুরগীদি হৌজিক ফাওবদা লৌউ-শিংউবনা মপূং ওইবা শিনফম ওইরি। মরু ওইবা হিংনবগী পাম্বৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। ফীভমসি হৌজিক খক্তদগী ওইরকপা নত্তে। মণিপুরগী য়েলহৌঙৈদগী শাগোন্নদুনা লাক্লবনি। হৌজিক্লা চাবিনবনা য়ামশিল্লকপা অদুগা ফৌ অমসুং মনা-মশিং পুথোক্কদবা মফমশিংনা নোংম-নোংমগী পীকশিল্লকপনা কুম অমদা লৌরোক অমুক অনীরক্তগী হেন্দোক্তুনা অহুম্লক শুরকপা লৌরোক পান্থা অমসু লৈহন্দবা য়ারক্তবনি। মতমগা চুনবা টেক্নোলোজিশিং অমসুং ফর্টিলাইজরশিং শীজিন্নদবা য়ারক্তবনি। ইশম-শম্বদা কুম অমদা লোকপা ফৌনা, পুথোকপা মনা-মশিংনা মণিপুরগী মীয়াম্না চাবদা লেম-পানা কোন্নবা চাংদা পুথোকপগী মথৌ তারকপনি। তঙাইফদবা অমা ওইরকপনি। মসিদগী থোইদোক-হেন্দোক্লা পুথোকচবা ঙম্লগনা মপান্দা থাদোক্তুনা শেন্দোং ফংগদৌরিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদদি মণিপুরগী লৌউ-শিংউবগী থবকসি অদুঙৈ মীতৈগী অইবা অমনা চন্দ্রনদি তুরেলবু শৈথারম্বদা 'নারক-মোংশোংনা থনখ্রে, অব্রাবগী মশক ওইখ্রে' হায়বগী ফীভমদা লৈখ্রে হায়বদুগা চপ মান্ননা থোক্লে হায়বা য়ারে। লৌউ-শিংউবদা মরু ওইবা পোৎচং কয়া চঙই। অদুবু পোৎচংশিং অদুগী মনুংদা 'ঈশিং' হায়বসিসু খ্বাইদগী মরু ওইবা পোৎচংনি। লৌফম কুৎপা, তোংবগী, নীংথিজনা শেম্বী-শাবীদবদগী অমসুং অফবা ফৌদি, লৌহোন শীজিন্নদবদগী অদুগা মতম চানা হার হাপহৌদবগীদি ফৌথোক্কী চাংদা শোকহল্লকপা, খরা হন্থরকপা য়াই। অদুবু ঈশিং লৈত্রবদি লৌ পানবা য়ারোই, খূৎলোনহল্লকপা ঙল্লোই, শাৎহল্লক্লোই, ফৌ পালহনবা ঙল্লোই। লৌবুকশিং লৈক্রক চৎলক্লগদি ফৌ পাম্বীশিং লেপকং কংদুনা পুমশি শিগদৌরিবনি। কুমগী লৌউ পান্থা অমা শিৎকদৌরিবনি।

অদুবু হৌজিক ফাওবদদি মণিপুরগী লৌবুক পূম্নমক্কী মরাইবক নোংথক্তগী চুরক্কদবা নোংনা লেপ্পগী ফীভমদগী মচি ইরেং লেংদ্রি। লৌরোক পান্থাদা ঈশিং লৈরগনা লৌ উবা, লৈত্রগনা লৌ শিৎপা, ঈশিং ঈচাও থোক্লগনা পুল্লপ হাৎপগী ফীভমদা অদুম্মক লৈরি। হন্দক চহীগী প্রি-মোন্সুনদা নোং ফজনা চুখি। মরাং কাইবদগী হেন্দোক্লা চুখিবদগী শাথীরবা লেন্দম্লাইদ ফাওবা থোক্তুনা মীওই ৬১গী পুন্সি ফাওবা মাঙখ্রিবনি। অদুগা ঈশিং লৈরে হায়দুনা লৌ পানবা হৌগৎনরক্তুনা ব্রাথোক ওইবমখৈ হার লৌরগা চাইশিল্লুরগা নোং চুরকপা লেপখিদুনা নুংশা শাগৎলকপদগী ইম্ফাল ইষ্টকী লৌফম অয়াম্বা লৈক্রক চৎপা য়াওরকপনি। ওইরক্লিবা ফীভমসিদদি চহী খুদিংগী লৌ উরক্লিবা লৌফমশিংনা ঈশিংগী মথৌ তারকপগী ফীভমসি ফাগি-জুগাইদা পঙহায় হায়নবদা মাইবীনা লাইমাং ফমদুনা লাইপাউ চেনবদা লাইনা 'নবেম্মা ঐনা নচা ধারা পীবিগে, পোক্ত্রগা নরাইবক ওইজৌ' হায়য়েয়ে হায়বদুগী ফীভমদা অদুম্মক লৈরি, মচি লেংহনবা ঙমদ্রি হায়বনি। মতৌদি মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দিলেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট ফাওবা পুথোক্তুনা শেমদুনা চৎনহন্নবা অকনবা থবকশিং পায়খৎলকই। অদুগা য়োকখৎকনি হায়রিবা লৌবুকশিংদা ঈকং থোরকপা অমসুং ঈচাও মায়োক্লরকপদনা ৱাটর পম্প সেট খরা য়েন্থোকপা নত্তনা মতম চুপ্পগী ওইনা অসিগুম্বা খুদোংথিবশিংসি তুং কোইনা মায়োক্লরক্তনবা থৌরাং থৌশিলদি পায়খৎতে। লৌফমশিং কনগনি হায়রিবসিবু নোং চুরক্ত্রগা লৈক্রক চৎহন্নবা, হেন্না চুথরক্লগনা ঈচাও থোক্তুনা লৌশিং হাৎনবগীদমক্তরা? মসিগী ফীভমদা লাকহন্নবা লৌফম কনগদবা ওইরবদি ফৌ-চেঙ অমসুং মনা-মশিংনা মপান্দগী লোইনা লৈদুনা চারগা লৌফমশিংনা লৌউ-শিংউবা নত্তবা অতোপ্পা পাম্বৈদা শীজিন্নবনা ফরগদ্রা? হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী লৌবুকশিংগী নোংথক্তগী চুরক্কদবা নোংনা মরাইবক লেপ্পগী ফীভমদা লৈহনবা চুম্ব্রা? খন্থৌ, অদুগা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১) **"কৃষ্ণরা, জেসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে/কল্লুনে ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা।"** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো অমদি শৈরেং মতেক অসি মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) **"য়াথং"** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) মোইরাং নিংথৌগী মচানুপী অমা **"লৈবাককী অৱাবা কোক্নবা তৌখিবী অমদি মপাগী য়াথং লৈবাক তাহনখিদবী পুকচেল চাওবী নুপী অসিগী মরমচৎ উৎনীংবদগী মৈতৈ ময়েক্তগী খ্বাইনা খঙনবা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোক্তুনা ছাপা নম্বা য়ানবা শেমদোকচবনি।"** হায়রিবা লাইরিক অসি করি লাইরিকনো অমসুং কনানা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোকপনো?

৪) শক্লাইরবা কবি ঐচ নন্দ মৈতৈগী শৈরেং ১০৩বু কনানা ইংরাজিদা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৫) **"মৈ চঙলবা চেক"** হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ভি দি এফকী তোলোপসিবু কমদৌসেবা!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭১৩**

**জিতেন নামৈরাকপম**

হন্দক মরক অসিদা মণিপুরগী তম্পাক্লমগী কৈথেলশিংদা মনা-মশিং, ভেজিটেবল আইটেমশিং মরাং কায়না ফংদবা, ফংলগসু মমল খংতাঙ তাঙখৎপগী থৌদোক থোরক্লি। মোরোক অতেকপগী মমল লোইশিল্লকপা হায়গদ্রা জুগোৎ চাবা মোরোক অশংবা ফংদে। খরা ফংলগসু কিলোদা লুপা ২০০, পৱা লৌরগনা লুপা ৫০, সিবু তাঙদে করম হায়গনি। ঐখোয়না খঙলকপদা মোরোক অতেকপা শেল পীদুনা লৈরগা চান্নরমদে। চাউনা চাউনা লৈরম্বা ইঙ্খোলনুং পূম্বগী ইঙ্খোলশিং মোরোক অতেকপা ফৈদোম ফৈদোম থানরম্মী। ঐখোয়দগীসু মীগী ইঙ্খোলদগীসু দরকার ওইবশিং হেল্লগা চানরম্মী।



খুবীনা তেঙ্কোৎতা থুম ঙারি হাপ্পগা খূবীনা মিনট খরা নৈবদা মপ্রাম মৰূ পূম্নমক তোয়বা ঙম্বা মোরোক অকংবদু ইঙ্খোলদা ফৈদোম ফৈদোম থানরিবদুনা মুল্লক্লগা, মচু ঙাংলক্লগা ফৌদুনা, কংহন্দুনা, মৈখু চাহন্দুনা, চহী চূপ্পা চানবা লীনরম্মী। হৌজিক্লা অমুক কমদৌবা মোরোক অতেকপা অমদা লুপা ১, মশীং থিরগা মোরোক ২০দা লুপা ২০গী ফীভমদা লাক্লে। মসিবু করম ঙক্তে হায়গনি।

মোরোক অতেকপা খক্তগী ৱাসু নত্তে। কোবী, হঙ্গাম, হৱাই থরাক, হৱাই মুবী, আলু, পান... মখল মখলগী হৈ-রাশিং ইঙ্খোল শিনবা থুংনা থানরম্মী। মরোই-মপাংদা- তিলহৌ, চনম, নপাকপী, নাক্কুপ্পী, ফদিগোমনচিংবা পূম্নমক ইঙ্খোল পূম্বদা হৌদবা হায়বদু লৈনরমদে। কনানা কনাদগীসু মমল পীরগা লৈনরমদে। অপাম-অপাম্বা ঐখোয়দগীসু, মীঙোন্দগীসু হেল্লগা চানরম্মী। হৱাই অতেনবী, অশাংবী, থবী, মাইরেন, খোংদ্রুম, য়েন্দেম, খামেন অশিনবা, খামেন বারমাসিকা করি করা পূম্নমক ইশানা ইঙ্খোলদগী হেল্লগা নৎত্রগা মশানা হেল্লগা হাপ্পা/পীবসু চৎনরম্মী। হায়রিবা মওং অসি ইঙ্খোল চাওনা চাওনা লৈবা মফম খরদা চৎনরগসু ঐখোয়গী ইম্ফাল এরিয়াদদি পোৎ চৈ থাফম লৈরক্তবনা মরম ওইরগা অসিগুম্বসি উখিদবা কুইরক্লে। অমুকসু খল্লকই - নোম নোম শগাই তোং, চানবা লৈতে তখেল থাঙ! মতাং অসিদা পঞ্জনীংবদি ঐখোয় মৈতৈশিং চহী অমগী চানবা চিঞ্জাক মরাং কায়না লৈরম্মী। ষণগাড়ীগী মতেংনা য়ূমদা নোংঙাল্লমদাইদা য়ৌরকপা লৌগী লৌশাল হৌজিক্তি দি আই টাটা, ওটোরিক্সোনা মহুৎ শিনখ্রে। য়ূমগী ইঙ্খোলদসু মঙাই চাক থোংনবা শীং থিবদা মরাং কায়না ফংলম্মী। উচেৎ, ৱাচেৎ, লুক্রাক, চরু, শহু চৈ, খোইবাক, খোইদুম, কৌবিলা মসা থাখিবগী শীংয়াম, লফু তোংগা অকংবা, ৱাইনম, মৈতাল শুংৱাৎ ৱাৎলমদে। শেল সিকি অমা পীরগা লৈরমদে। নোংমগী এঞ্জাং হায়রগনা ইঙ্খোল কোয়না থুংনা চৎপদা ঙসাই হায়জখিবা মনা-মশিংগী মরক্তা শুংথা থাজদনা থিবদা ফংবা পেরুক, মোঞ্জামহৈ, য়েরুম কাইরুম, য়েঞ্জিল, পালংশাক, কেংঙোই, এল্লাং, পান্দা, পানখোক অকংবা ফাওবা লিরগা থম্নরম্বনি। হৌজিক্তি ইঙ্খোলদা হৌরম্বা নোবাব, হৈয়েন, হৈত্রোই, হৈবান, হৈরী, হৈনৌ, জাম, হৈবী, হৈনীং, হৈনজোম, হৈমাং, থৈবোং, হৈয়ায় ... অমত্তসু মশক উখিদ্রে। লোইনা য়ান্থৎপীখ্রে। মতম অদু অমুক হন্না লাক্লরোই খল্লুবদা নুংশিরকই। কাউগে খল্লগা হেন্না হেন্না নীংশিংলক্লি।

হৌজিক্কী মতম অসিদবু শেল য়াওদনা মতম অদুগী পুন্সি মরেলদা হিংবা য়ারিব্রা? পোৎ খুদিংমক শেল পীরগা লৈগদবনি। শেল য়াওদনা হিংবা য়াদবা পুন্সি মরেলনি। চান-থক্লবদা, অকে-অমৌগী নত্তবীদা মীগী মীপাল তাংলক্লি। অদুগা পৈশাগী ভেল্যুনা কমদৌবা। মতম অমদা পাকথ্রোক পাক্লম্বা লুপা ১০০ চৎপী হৌজিক্কী লুপা ৫০০ চৎপীনা হেন্না ময়েং তারক্লে। লুপা ৫০০ চৎপী অমা পুরগা কৈথেলদগী মনা-মশিং লৈবা চৎপদা ইকায়বা ফাওরক্লে, কোন্নরক্ত্রে। খূৎতা লুপা লিশীং ২/৩ পায়দ্রগদি কৈথেলদা মৈতৈ ঙাগী মমলকা হংলুবা য়াবা নত্তে, চোপচগেখক্তনি। মুকাঙা কিলোদা লুপা ৬০০, ঙামু, উকাবীগী মমলগদি হায়নীংদ্রে। করিগুম্বদা মৈতৈ ঙাক্রা ফংলগদি কিলোদা লুপা ১৬০০/১৭০০ পী। ঙাগী অরেপ্পা মমল লৈতে। অদুননি খরসু হোঙবা কিলোদা লুপা ২০০/৩০০ পীবা উনগী ঙা চানরিবসি। মণিপুরদা ঙা য়োক্লগা মপান লমদা চহীদা লুপা ক্রোর ২০০/৩০০ থাদোকখিবসি কনবা ঙমগনিগা হায়বা থাজদ্রি।

মতাং অসি য়ৌরকপদা লাকচনীংবা ৱাফমদি পুন্সি অসি হিংনবা হোৎনবদা পৈশাগী মথৌ নোংম-নোংমগী হেগৎলক্লি হায়বসিনি। চাদ্রগদি মী শিগনি। চাবখক্তগী ৱাসু নত্তে। অনা-লায়েংগী, মহৈ-মশীন তম্বগী, রোটি কপরা ঔর মকান, সোসল গেদরিংগী পূম্নমক অসি পৈশাগী মথৌ ঙাক্তনি। অদুনবু মীশিং অসি মশা মশাগী মথৌ ওইনা শেন্দাল লম্বী অমমমদি পাঙথোক্লরি।

খ্বাইদগী লায়রবা মীওইসু ওইসনু ইন্দিয়ন লেবর লোগী মতুংইন্না পার্লিয়ামেন্টতা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না সেমি স্কিল লেবরর অমগী নোংমগী খূৎশুমল অসি লুপা ২৬৪ খক ওইরি। স্কিল লেবররগীনা লুপা ২৭৫ অমদি হায়লি স্কিল ওইবশিংগীনা লুপা ৩২৬তা লেপ্লি। মতাং অসি য়ৌরকপদা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইজদবসি ঐখোয়গী ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স (ভি দি এফ) কী তোলোপ হেনগৎপীদবগী মতাং অসিনি। মণিপুর পুলিসকুম্না খাগী মচুগী দ্রেস শেৎহল্লগা, নোংমৈ সেল্ফ লোদিং রাইফল পায়হল্লগা পুং ২৪ চূপ্না মথৌ তৌহল্লি। থাগী তোলোপনা শুপ্নতগী লুপা ৮৫০০! এম এল এ, মিনিষ্টর নৎত্রগা ওফিসরশিংনগা থক্লবা স্কোটস হ্বিসকী অমগী মমল য়ৌবা নত্তে। নুংশিদ্রা? খজিক্তংদি নুংশিবীয়ু কৈদৌবগে? ভি দি এফশিংসু প্রাইভেট স্কুলদা মচাশিং লাইরিক তমহল্লি। এদমিসন ফি, ট্যুসন ফি, ভেনগী অতোংমল, অনা অয়েক, মমান্নবশিংগী থৌদোক ৱাথোক্কী চেবাউগী পোৎয়েং শেল, চাবা-থকপগী, গ্যাসকী, পেট্রোলগী মমল করি করা অমুক্তংদি খন্থবীয়ু। হন্দক্কী কেবিনেট মীফমগী ৱারেপ - জন্যুৱারী ২০২৩দগী লুপা ৫০০ মথংগী চহীদসু লুপা ৫০০ ইনক্রিমেন্ট, নুমিৎ ১৫নিগী ছুটি, চাদা ১০ পুলিস কন্সটেবল/রাইফলমেন রিজার্ব, চহী ৮ থবক তৌরকপদা কোর্পোরেল, চহী ১৬তনা সর্জন্ট, সী এম ঐচ টি, আয়ুসমান খরসিনা পূক্লিং পেলহনবা ঙমদে। তোলোপ হেনগৎপীয়ু, পুলিসকী থর্টিন্থ মন্থ পে পীয়ু, রিগ্যুলর তাহনবীয়ু হায়বসিনি। ভি দি এফকী মতাংসিদদি শুগায়না ইজররোই মখোয়গী থবক খুদিংমক্তা থৱায় য়াওজবদি মীয়াম্না হেন্না খঙবীরবনি। ঙসাই মথক্তা পঞ্জখিবা মনা-মশিং, ঙা-চাক, পোৎতাঙ চৈতাঙসিদা মখোয়সু লৈদুনা চারিবনি। মহৈরোয়শিংনা গাড়ী তোংবগী অতোংমল তঙ্খায় তাবগুম্না ভি দি এফশিংদা তাবিবা নত্তে। মখোয়গী তোলোপ হেনগৎপীনবা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরদা হায়জরি। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৭৮

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

ময়োল লৈঙাক্কী য়াথং মতুংইন্না ষ্টেট লৈঙাক্লা ৱার্ক এজেন্সী ওইরগা হন্দক্তা লুপা ক্রোর কয়া চঙনা শেমগৎ শাগৎপদগী ফজনা মকে শেম্বদা কোরৌহনবা নুমিৎকী মশেক মঙাল ফাওবা চঙদনবা সনাগী মপাক/তবোপ্পীনা য়ুমথক ওইবদো মীৎ থক্লা ফজমনবদগী চঙগদবা তন্নবা কয়া অমসু য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অদুবু ময়োল লৈঙাক্কী লৈঙাকপশিংনা, মকোক থোংবা লৈঙাক্কী লোয়শঙলোইশিংনা ষ্টেটসিদা নুমিৎ নীনি হুমনিগুম্বগী প্রোগ্রাম শেম্লগা লাকপা মতমদদি ঙহাক্তং ওইরবসু গোবিন্দ টেম্পলদা চৎলগা গোবিন্দবু খুরুম্বা অদুম তৌবা য়াওই। করিগুম্বা মতমদা প্রসাদি ফংবসু য়াওই। মখোয়না হিন্দু ওইবননি। অতৈদি তৌদে।

ময়োল লমদগী লাকপা হিন্দু অর্য়ান ওইবশিংদা নত্তনা লমদমসিদা হিন্দু মুকশন ওইবা কয়ানা মমিং খক মান্নবগীদমক ষ্টেটসিগী মমিং মণিপুর খাঙঙ্গুথক্তা থোনবসিবু পাঙ্গৈগীদা লৈবা হরাউরৌদা মীরম লাইনীং পামজখিবা মৈতৈ নিংথৌ অমগা মরী লৈনবা থৌরম অমদা মখোয়গী মহাভারত্তা য়াওবা মণিপুরদুনি হেক্তা খঙদনা হায়জিনবা ঙম্বা/ কংলাদা তৌবা ইরমদমগী নিংখা তম্লম্বগী ইবুধৌ পাখঙবগী পাফল ফিরাল চিংখৎপদা হিন্দু অর্য়ান খরগী মমি থমজিনবদগী ৱাথোক ওইখিবা কয়া লৈখিবসি, ইকায় খঙদবদগী তুংদসু তৌরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

মথক্তা কয়ারক হন্না ইজখ্রে মদুদি মীতোপ্পা য়েলহৌ ফুরুপ ঐখোয়বু নমথনবা তৌবা নত্তনা ফনবা করিসু তৌবিরোই অদুগা শাগৈগী মৈতাল অশিবা খরনা মীরম লাইনীং পামজবদা কয়াম ইকায় ফিরুক খুম্নীংঙাই ওইবগে হায়বগী মতাংদা - মে ১৫, ২০২২দা নেসনল মোন্যুমেন্ট ওথোরিটি (এন এম এ) গী চ্যেরমেন এম ঐচ তরুন ভিজয়না ফোঙদোক্লম্বা ৱাফম, সঙাই এক্সপ্রেসকী মে ১৬, ২০২২দা ফোঙখিবা 'মণিপুরগী মোন্যুমেন্ট মঙা এ এস আইনা ঙাক শেল্লগনি' হায়বা কেপসনগী মখাদা ফোঙখিবা ৱারোল ফজনা নৈনরবদি মথক্তা পনখিবা ৱাফমশিং অচুম্বমক্তনি হায়বসি ইরায় লায়না খঙবা ঙম্বীগনি।

'হোলি ফেষ্টিবেল ওফ মণিপুর' অমসুং 'মণিপুরীজ ৱে ওফ ৱর্সিপ্পিং হিন্দু গোদ ইন টেম্পলস' বু য়ুনেস্কোগী 'ইন্টেনজিবল কলচরেল হেরিটেজ' গী মনুং চলহন্নবা রিকম্মেন্দ তৌবগী মথক্তা মণিপুরগী মোন্যুমেন্ট মঙা এ এস আই (আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া) না ঙাক শেল্লগনি হায়না নেসনল মোন্যুমেন্ট ওথোরিটি (এন এম এ) গী চ্যেরমেন এস ঐচ তরুন ভিজয়না ফোঙদোকখ্রে হায়বসিনা কোনশিল্লিবসি করি করম্বনো হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংলে হায়না পাউচেগী ৱাফম মীয়ামদা থমজরি।

হৌখিবা নুমিৎ হুমনি ষ্টেটসিদা লাক্লম্বদা চীংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাউমী খরগা উনবদা হায়রম্বা ৱাফম - মহাক্লা (এম ঐচ তরুন ভিজয়না) ষ্টেট অসিদা লৈবা মোন্যুমেন্ট ময়াম অমা অমসুং মোন্যুমেন্টকী মফমশিং য়েংলবা অমসুং কংলাদা লৈবা গোবিন্দজি টেম্পল অমদি বৃন্দাবন চন্দ্র টেম্পল, বামোন লৈকায়দা লৈবা কৃষ্ণ টেম্পল, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈবা লংথবাল কোনুং অমসুং সেক্তাদা লৈবা লিভিং ম্যুজিয়ম এ এস আইনা ঙাক শেন্নবা ৱারেপ লৌরে - হায়রিবশিংসি হিন্দুগা মরী লৈনবশিংনি হায়বসি মশামক খঙলমগনি অদুবু মীতোপকী ফনবা তৌনীংদে হায়বা অচুম্বা ৱাখল্লোনসি মীমাংদা খঙনা উৎথোকপনি হায়না লৌবদা মসিসু লান্না লৌফম থোক্তে হায়না থমজগে।

লমদমসিগী মীওই কাঙবু খরনা মীরম লাইনীং লীচৎ পামজবসিবু হায়ফেৎ করেম্নবা মানবা অদুগা অশেংবা থৌওংদু উবদা মানবদগী ফোঙদোক্লম্বা ৱাফম - 'মণিপুরদা হোলি ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবা অসি নোর্থ ইন্দিয়ানশিংনা পাঙথোক্লিবা অদুগা পুরা খেন্নে, মণিপুরীশিংনা কুম্মৈ অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা শরুক ওইনা স্পোর্টসকী থৌরমশিং য়াওই।" হিন্দু লাইনীংগী অশেংবা মফমশিংদদি নোংমদুগী নুমিৎয়ুংবা ফাওবদং মচুশিং তৈনবা/পিচকারি কাপ্পবনচিংবা পুকচেল শেংনা তৌরগা লোইশিনবসি লমদমসিগী হিন্দু লাইনীং লীচৎ পামজবশিংনদি নুমিৎ মঙানি চঙনা ঈরাংগা লোয়ননা পাঙথোক্লবা মতুংদা তরুকনি শুবা নুমিৎতা বিজয় গোবিন্দদা হলঙ্কার হায়দনা মথক্তা স্পোর্টসকী মওংদা হায়বা মওংদা নুপী নুপা তান্নরগা হোলি ফেষ্টিবেল লোইশিল্লি। হায়রিবা থৌওংসি নোর্থ ইষ্টকী অতৈ ষ্টেট/মফমশিংদা তৌদে হায়বসি অচুম্বনি। অদুঙৈ মৈতিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবনা কংলৈপাক্কী অহানবা নিংথৌ ওইদুনা খৃ: ৩৩ শুবদা পানখিবা মতমদা লমতাগী অনীশুবা থাংজগী শগোল কাংজৈ শান্নবা লোইরবা মতুং লমতাগী ২০নি পানবা নুমিৎতা খ্বায় নোংজেং পিবানা কোনবা কংলৈখোম্বগী য়াৎথোকফমদা নুপী ৭না লাইরেম্বী শক্লা 'লাই কৈথেল কাবগী' থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপসি (শম্না ইজরবনি) হিন্দুগী ওইনা বিজয় গোবিন্দগী হলঙ্কার হায়না সনা কোনুংদগী হোলি দল ময়াম লাক্লগা বিজয় গোবিন্দগী লম্পাক্তা পুল্লরগা হোলিগী ঈশৈশিং শক্লগা পাঙথোকপা থৌরমদুগী কেসেট উরগা/ ৱারী তারগা হায়রম্বসু য়াই হায়না নাকোয়ননা থমজগে। অমুকসু হোলি ঈশৈ পালাশিংনা ঈশৈ শকপগা লোয়ননা ফিরাল পায়বশিংনা নোমদুনা, চেন্দুনা, থাংগৎ থাংদা তৌদুনা চোং ফনবা, ধুলোক য়ৈবশিংনা চোঙ ফন্দুনা, লোংহুন তৌদুনা য়ৈবদু নোংমা ফাদোক উবা মীরক হিন্দু মচাশিংদদি স্পোর্টসকী মওং ওইনা লৌবা/খনবা হায়বসি হৌনশানি, লান্দে হায়না লৌগনি। মসিবুনি 'অশেংবদগী মীতৌ তম্বনা হেন্না মাল্লি' হায়নরিবসি। মীতৌ তম্বনি হায়বসি অতাক অফোংনবা ওইহন্দনবা হোৎনবদা/শিনবদা করেম্নবা মানবা ৱাফমশিং থোরকপা ওইরমগদ্রা হায়না থমজগে। মসিগা হায়ফেৎ মান্নবা মওংদা লমদমসিগী লাই হরাওবদা মীতৌ তম্বদা য়াম্না হেঞ্জিনবা মীওই খরনা 'কবুই জগোই শাবা তম্বীবদা' অশেংবা কবুইনা শাবা জগোয় নত্তবনা মরিং মরাংবা জগোয় ওইনা শাবীগনু হায়রকখিবগী পাউ পাউচে খরদা ফোঙবা থেংনখিবদু হায়ফম থোকপা অচুম্বনি। অদুনা মীনাৎ-ঈনাৎ হায়বসি মান্নদে হায়বসি মরী লৈনবশিংনা খঙফম থোকই, নৎত্রবদি নোংমদি শোয়দনা মীমাঙ ফমগনি হায়না থমজগে। য়াম্না শম্না হায়রবদা - পোৎপু ওইরবসু/কষ্টমবু ওইরবসু মপু অশেংবশিংনা 'পেটেন্ট রাইট' তান্দুনা মীতোপ্পসু খঙনা/ঙাক্লা চৎহন্নীংবা হায়বসি হৌনশানি, অচুম্বনি। ●